গ্বালিওরদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী পাইলোটশিং রাফেল ফাইটর জেট ট্রেনিং পীবা হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): রাফেল ফাইটর জেট লৈবগী মতাংদা ৱাথোক ওইরিঙৈ চৈরক্তা হৌজিক গ্বালিওরদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী পাইলোটশিং রাফেল ফাইটর জেট পাইবগী ট্রেনিং পীবা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াদা হৌজিক রাফেল জেট অহুম লৈরি। গ্বালিওরগী মহারাজপুর এয়র বেজদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী পাইলোটশিং অদু ট্রেনিং তৌরি। রাফেল ফাইটর জেট ৩৬ খক্তমক লৈনবা হোৎনরিঙৈগী মতাংদা পোলিটিকেলগী পার্টিশিংগী মরক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবসু লৈরিবনি। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্স (য়ু পি এ)গী মতমদা দিল তৌনরমখিবা রাফেল ফাইটর জেট লৈবগী ৱাফম অদু মখা তানা চঙ্খরকপা থৌশিল অমা ওইনা খ্বাইদগী ফরবা মমলদা লৈননবা হোৎনরিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল সিক্যুরিটিনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। নোংমাইজিং নুমীৎকী নুমীদাংৱাইরমদা গ্বালিওরদা রাফেল এয়রক্রাফ্ট লেন্দিং তৌরকখি। ফ্রান্সকী পাইলোটশিংনা এয়রক্রাফ্ট অদু পুদুনা এক্সর্সাইজ পাঙথোক্লবা হোৎনখি। ওষ্ট্রেলিয়াদা হন্দক্তসু এয়র এক্সর্সাইজ ট্রেনিং পাঙথোকখিবা লৈখ্রবনি। ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা এক্সর্সাইজ অদুদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সশিংগী পাইলোটশিংনা অহানবা ওইনা রাফেল জেট পাইনবগী খুদোংচাবা ফংখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী পিটচ ব্লেক এক্সর্সাইজ অদুগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী পাইলোটশিংনা এয়রক্রাফ্ট অদু তোংবা অমসুং পাইননবগী খুদোংচাবা ফংখি। মখোয় অমনা অমদা তাকপী-তম্বীনবগী খুদোংচাবা ফংখি হায়না ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা ফাইটর জেট অদু তোংবগী ফোটোগা লোয়ননা ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে।

এক্সর্সাইজ পিটচ ব্লেকতা শরুক য়াবা ইন্দিয়াগী ওইনা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী দারৱিন্দা ওগষ্ট ১৮ দা লোইশিনখিবা এক্সর্সাইজ অদুদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৬ না শরুক য়াবগা লোয়ননা এয়রক্রাফ্ট ১৪০ শীজিন্নখি। পিটচ ব্লেক এক্সর্সাইজ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা শীনদুনা পাঙথোকপা মতমগা চুনরবা এক্সর্সাইজ মখল অমনি হায়রি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী লান্মীশিং য়াওনা কন্টিঞ্জেন্ট ১৪৫ না শরুক য়াখি। এক্সর্সাইজ অদু জুলাই ২৪ দগী হৌরগা ওগষ্ট ১৮ ফাওবা চৎখি। ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী কন্টিঞ্জেন্টনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকখিবা লান্মীশিংগা উননবগী তাঞ্জা ফংখি। লোয়ননা ট্রেনিং তৌননবগী তাঞ্জাসু ফংহনখি হায়রি।

খ্বাইদগী ৱাংবা সরদার পটেলগী মীতম লোইশিল্লক্লে ষ্টেচু ওফ লিবর্টিদগী শরুক অনী হেন্না ৱাংলগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী অহানবা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা সরদার বলাভাই পটেলবু ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা গুজরাত সমুদ্র খোংবালদা শাবা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মীতম অমসুং ১৭ শুবা চহী চাদা মতিক লৈনা পাল্লম্বা নিংথৌ চত্রপতি শিবাজিগী মুম্বাইদা শাগৎলিবা মীতম অথুবা মতমদা মায়খুম হাংদোল্লগনি।

খ্বাইদগী চাউবা মীতম অনী অদু শাবদা চাউরাক্লা লুপা বিলিয়ন ১ রোম চাদিং তৌগনি। মীতমশিং অদু অমেরিকাগী ষ্টেচু ওফ লিবর্টিদগী শরুক অনী হেন্না ৱাংলবনি হায়রি।

দরদার বলাভাই পটেলগী মীতম অদু মিটর ১৮২ ৱাংই। মদুনা চাইনাদা লৈবা খ্বাইদগী ৱাংবনি হায়বা বুদ্ধগী স্প্রিং টেম্পল নেম্না উহল্লগনি। অদুগা ১৭ শুবা চহীচাগী নিংথৌরেল চত্রপতি শিবাজিগী মীতম অদুনা মিটর ২১২ ৱাংলি। শগোল মথক্তা থাঙ পায়দুনা লৈবা নিংথৌরেল অদুগী শক্তম অদু কুমজা ২০২১ দদি মুম্বাই সমুদ্র খোংবালদা উবা ফংলগনি।

সরদার বলাভাই পটেলগী শেঞ্জেংনা শাবা মীতম অমদু ৱার্কর ২৫০০ না অহিং-নুংথিল নাইদনা শাবগী থবক চংখরি। মদুদা চাইনাগী লেবর চা কয়া য়াওরি হায়রি। সরদার বলাভাই পটেলগী মীতম অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ৩১ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মায়খুম হাংদোক্লবা শেম-শারি হায়রি।

মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা মীতম অদুনা লম কোয়বশিংগী মীৎয়েং চিংশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। ন্যু য়োর্কতা লৈবা ষ্টেচু ওফ লিবর্টিদগী শরুক অনী হেন্না ৱাংলবা মীতম অদুনা মালেমগী লম কোয়বশিং চিংশিনগনি। লম কোয়বশিংনা মীতম অদু য়েংবা য়াননবগীদমক মিটর ১৩৫ শাংবা গেল্লরিসু শেম-শারি। সরদার বলাভাই পেটেলগী লেপ্তুনা লৈবা মীতম অদু অলহাবাদতগী কিলোমিটর ২৫০ রোম লাপ্না লৈরি। মীতম অদু পোলিটিক্সকী ওইবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা মেগা প্রোজেক্ট ওইনা পায়খৎতুনা শাবনি হায়না লৈবাক অসিগী অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সরদার বলাভাই পটেল প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী মতমদা কুমজা ১৯৪৭ দগী হৌরগা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুখিবা মীওইনি। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না নেহরুগী চারোল শুরোলবু নমথনবগী পান্দমদা দরসার বলাভাই পটেলগী মিং শীজিন্নরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৩ দা ভোট খোম্বদা দরসার পটেলগী মিং শীজিন্নখি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী মীয়াম্নদি মহাক ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর অমসু নত্তে। করিগীদমক অদুক ৱাংনা থাঙ্গৎলিবনো হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লখি হায়রি। সরদার বলাভাই পটেল মীয়াম্না ইন্দিয়াগী য়োৎকী মী হায়না শিংথানরিবা মীওই অমনি। নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫৫০ মহাক্কী লীচিং মখাদা পুনশিন্দুনা অপূনবা ইন্দিয়া অমা শেমখিবনি হায়বা শিংথানরিবা মীওইনি।

উত্তর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরে, মীওই ১৬ শিখ্রে

লক্ষনৌ, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতা অকনবা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা ঈচাউগা মান্নবা ফীভম অমা মায়োক্লহল্লে। থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে।

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী পর্সনেলশিংনা ললিতপুর অমসুং ঝঞ্জি দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈখ্রবা মীওই ১৪ কনবা ঙমখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক্তা ললিতপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুঙ্গং অমদা ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈরমখিবা মীওই তরুক কনবা ঙমখি। অদুগা ঝঞ্জি দিষ্ট্রিক্টকী গরাওথা টেহসিলদগীনা মীওই ৮ কনবা ঙমখ্রে। ইরিচ দামদগী থাদোরকপা ঈশিংনা ঈমায় পাথোক্তুনা চেল্লবা বেটৱা তুরেলগী নক্লবা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী রিলিফ কম্মিস্নার সঞ্জয়কুমারনা ফোঙদোরকখিবদা, ললিতপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই তরুক ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী টিম অমনা মায় পাক্লা কনবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী টিম অদুনা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি। ঝঞ্জিগী দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেটকী মতুংইন্না ঙা ফাবা চৎখিবা মীওই ৮ ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী টিমনা কনখ্রে। ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টর জোগি অদিত্যনাথনা মী কনবগী থবক্তা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী পর্সনেলশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

লমদম অদুদা শাথিবা ঈচাউগী ফীভম অমা মায়োক্লরবসু চীফ মিনিষ্টরনা কৃষ্ণ জন্মস্থামিগী য়াইফ-পাউজেল পীখ্রে।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবদা, উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ অসিদা অকনবা নোং চুগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অৱাংথংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা নোর্মেল ওইবা চাংদা নোং চুরি হায়না লৌরবসু উত্তর প্রদেশতা ঈচাউগা মান্নবা ফীভম অমা মায়োক্লরি। হরিয়ানানচিংবা থংননা লৈবা ষ্টেটশিংদা মখা তানা অকনবা নোং চুরকপা য়াই হায়নসু ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৯ গী মীখলদা এ এ পিনা কোংগ্রেসকা চুংশিন্নরোই

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): আম আদমি পার্টি (এ এ পি) না কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসকা মপাং অমা ওইরোই হায়না দিল্লি লৈঙাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টর গোপাল রাইনা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীখল মতুংদা গ্রান্দ এল্লাইয়েন্সকা চুংশিন্নবা হায়বা অদুনা ওইরকপা য়াবা ফীভমশিং অদুগী মখা পোনগনি। পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমদা লুচিংবা অদুনা হায়, মীখল মতুংদা এ এ পি অমসুং কোংগ্রেস চুংশিন্নরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা য়াই। অদুম ওইনমক মীখল মমাঙদদি পুন্না চৎমিন্নবগী ৱাফম লৈতে। বি জে পিগী দিক্টেটরশিপ লৈঙাক অসিবু লোইশিনহনখিনবা মীৎয়েং থল্লি। লৈঙাক অসিগী মখাদা হৌজিক দিল্লি লৈঙাক্লা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎপদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে। লৈবাক অসিগী কোনুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরম কয়া পন্থদুনা লৈরে। মীখল মমাঙদা গ্রান্দ এল্লাইয়েন্সতা য়াওবগী ৱাফম লৈতে। মীখল মতুংদা ফীভম কয়া য়েংলগা হোংলকপা ফীভমশিংগী মখা পোন্না ফিরেপ লৌগনি হায়খি।

বি জে পিগী দিক্টেটরশিপ লৈঙাক অসি লোইশিনহনখিগদবনি। মদুনা দিল্লিবু মাঙ-তাকপা ফীভম অমদা লৈহল্লে। মখোয়না দিল্লি শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা মতেং পীদ্রে। দিল্লি লৈঙাক্লা থৌশিল কয়া পায়খৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। এ এ পিনা দিল্লি, হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা সিট মশিং হেন্না ফংদুনা মায় পাকপা অমা ওইননবা অকনবা থৌশিলশিং চংখরি। এ এ পিনা দিল্লি য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অদু কুপ্না য়েংশিল্লি।

ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না হৌজিক লেফ্ট ৱিং পার্টিগা চৎমিন্নরি। লোয়ননা চত্রা য়ুব সংঘরস সমিটিগসু খুৎশম্নরি। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা এ এ পিনা মরন্নাই ওইনা মীখল থেংনগনি। কোংগ্রেস পার্টিগা মাঙজৌননা চুংশিন্নবগী ৱাফম লৈরোই। দিল্লি অমসুং ষ্টেট খরদা এ এ পিগী মীরেপশিং থাদোক্তুনা মায় পাক্লবা হোৎনগনি। পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা এ এ পিনা মরন্নাই ওইবা ৱারেপ লৌবা তৌরোই হায়খি।

অকনবা চেকশিন-থৌরাং মরক্তা মীওই লাখ কয়ানা মথুরাদা জন্মস্থামিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

মথুরা, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা মথুরাদা লৈবা লাইশঙদা মীওই লাখ কয়া লাই খুরুম্বা লাক্লখিবগা লোয়ননা কৃষ্ণ জন্মস্থামিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কৃষ্ণ জন্মস্থানগী সেক্রেটরি কাপিল শর্ম্মানা ফোঙদোরকখিবদা, চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা থোকহন্দনবগীদমক অখন্নবা থৌশিলশিং পায়খৎখি। লাই খুরুম্বদা য়ৈখায় থিনগাইবা লৈহন্দনবা অমসুং লায়না লাই খুরুম্ফম য়ৌবা ঙম্ননবা অখন্নবা থৌশিলশিং পায়খৎখি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মথুরা, বৃন্দাবন, বর্সনা, গোর্বধন, নন্দগাও, বালদেও, মহাবন অমসুং গোকুলদা লৈবা লাইশঙশিংদা মীওই লাখ ২০ রোম্না লাই খুরুম্বা লাক্লখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবা লৈতে হায়না দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট সর্ভাগ্যা রাম মিশ্রানা ফোঙদোরক্লি।

এস এস পি বব্লুকুমারনা হায়, জন্মস্থমিগী থৌরমদা মীয়াম্বু অপনবা য়াওদনা লাই খুরুম্বা য়াহন্নবগী পায়খৎখিবা থৌরম অদুদা অশোয়বা অমত্তা লৈখিদে। ফিজম শেৎপা পুলিস পর্সনেল কয়া ঈৱাং থোকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা থাজিন্দুনা মথৌ তৌহনখি। লাইনিং লীচিৎকা মরী লৈনবা থৌরম অদু অশোয়-অঙাম য়াওদনা পাঙথোকপা ঙমহনখিবা অদু অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়খি। য়ু পিগী পৱার মিনিষ্টর শ্রীকান্ত শর্ম্মানা লাই খুরুম্বা লাকপশিংনা ওথোরিটিদা মতেং পীবীখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

মধ্য প্রদেশতা ষনগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই ১ মখুৎ ককথৎখ্রে

ভোপাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): মধ্য প্রদেশকী খুঙ্গং অমদা ষনগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা চহী ৩৫ রোম শুরবা মীওই অমা উ পাম্বী অমদা পুনশিন্দুনা থম্লবা মতুং মখুৎ ককথৎখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই অনী ফাগৎখ্রে। নোংমাইজিং নুমীৎতা প্রেম নরায়ন সাহু কৌবা মীওই অমনা খুঙ্গং অদুমক্তদা লৈবা সাতু যাদব কৌবা মীওই অমগী ফার্মদা ষন মাংখিবগা মরী লৈননা চৎখি। সাহুনা থাঙ পায়দুনা য়ুমদা চঙশিল্লকই হায়না মরাল কয়া শিরকখি। মীওই অদুনা সাতু যাদবতা ষন মাংখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থিগৎনবা ৱাফমসু পুখৎখি। মদুগী মতুং মখোয় অনীগী মরক্তা উংখৎনরকপগা লোয়ননা খুৎ থোক্লখি হায়না পুলিস ওফিসর রাজেন্দ্র কুমার দ্রুবেরনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাথোক অদু হেন্না চাউথোরকপগা লোয়ননা যাদবকী ইমুং-মনুংনা সাহু কৌবা মীওই অদু ফারবা মতুং উ পাম্বী অমদা পুনশিন্দুনা থমখি। মদুগী মতুং থাঙশাং অমনা মীওই অদুগী য়েৎথংবা মখুৎ ককথৎখি হায়রি। অদুগা ওইথংবা খুৎ অদুসু কা-হেন্না শোকহনখি হায়রি।

মীওই অদুগী য়েৎথংবা খুৎ অদু ককথৎখ্রবা মতুং সাহুনা কপ-লাউখি। অদুম ওইনমক খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীওইশিং অদুনা মহাকপু কন্ননবা থৌশিল অমত্তা পায়খৎলকখিদে হায়রি। এটেক অদুগী মতুংদা ভিদিও ফুটেজশিং লৌহৌখি। সাহু লৈমায়দা তাদুনা লৈবা অদুগা মখোঙনা উ পাম্বী অমদা পুনশিন্দুনা লৈবগী শক্তমসু উখি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা খুঞ্জাশিংনা পুলিস কৌখি। লোয়ননা মীওই অদু অরুবা ফীভমদা হোস্পিটালদা লায়কন্নখি হায়রি। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মফম অদুদা ঈ কা-হেন্না তারম্বা থেংনখি। পুলিসনা ককথৎখ্রবা সাহুগী য়েৎথংবা খুৎ অদুসু হোস্পিটালদা পুদুনা লাকখি। মীওই অদু হৌজিক ভোপালদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

রঘুরাম রঞ্জনগী থৌশিলনা ইন্দিয়াগী গ্রোথ হন্থহল্লে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী গভর্ণর রঘুরাম রঞ্জনগী থৌশিলনা লৈবাক অসিগী গ্রোথ হন্থহল্লে। লৈবাক অসিদা হৌজিক শেল-থুমগী ফীভম শোন্থরক্লিবা অসিগী তেকচাক রঘুরাম রঞ্জননা পুগদবনি হায়না নিতি আয়োগকী ভাইস চ্যেরমেন রজিব কুমারনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

আর বি আইগী হান্নগী গভর্ণর রঘুরাম রঞ্জনগী থৌশিল শোয়বনা লৈবাক অসিগী গ্রোথ হন্থরকপনি। বেঙ্কিং সেক্তরদা শাফবা ফীভম অমা ওইহন্দ্রে। মদু রঘুরাম রঞ্জনগী মতমদা পায়খৎখিবা অশোয়বা থৌশিলশিংনা ওইহল্লকপনি। মদুনা মরম ওইরগা বেঙ্কিং সেক্তরনা ইন্দষ্ট্রিশিংদা শেল থাদবগী চাং ৱাৎহল্লে হায়খি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না গ্রোস নন-পর্ফোর্মিং এসেট (জি এন পি এ) ফগাৎলকপা য়াবগী ওইথোকপদি লাক্লে। বেঙ্কিং সেক্তরদা মথং চহীগী মার্চ থা ফাওবদা চাদা ১০ ফগাৎলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। কুমজা ২০১৮ গী জুন ৩০ ফাওবদা ওইরম্বা ফীভমদগী হেন্না ফগাৎলক্লগনি। বেদ লোনগী ফীভমসু চাদা ৬০ গী চাংদা ফগাৎলকপা য়াই হায়বগী থাজবা থল্লি। লোয়ননা বেঙ্কিং সেক্তরদা খুদোংচাদবা ওইহল্লিবশিং হন্থরক্লগনি।

আর বি আইগী মতুংইন্না ফেব্রুৱারি ১২ দা ফোঙখিবা সার্ক্যুলর অমদা শেল পুথোক-পুশিনগী লমদা চাউনা খুদোংচাদবা লৈরম্বা থেংনখি। লৈবাক অসিগী অচৌবা কম্পেনি ৭০ দা লুপা ত্রিলিয়ন ৩.৮ কী শেনফম পুথদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দষ্ট্রি কয়া বেঙ্কক্রপ তৌখিবা লৈখ্রবনি হায়রি। পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমনা হন্দক্তা আর বি আইদা বেদ লোন চেক তৌননবা থৌশিল মায় পাক্তবগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংলকখিবা লৈখ্রে। আর বি আইনা হৌজিক বেঙ্কক্রপ তৌবা নৎত্রগা থেংনরিবা শেল-থুমগী অৱাবশিং অদু লাকশিন্নবা লম্বী অমা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা এম ভিরাপা মোইলিনা হিরম অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎলক্লবা য়াই হায়রি। লৈবাক অসিদা শেল-থুমগী ফীভমদা শোন্থবা অমা ওইহল্লকখিবা অদু থৌশিল শোয়বদগীনি হায়রি।

ছটিসঘরদা মাওইষ্টশিং মতেং পাংবনি হায়বা মীওই ৫০০ ফাগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): মাওইষ্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনবা থৌশিল অমগী মখাদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ছটিসঘরদগী লালহৌবশিং শৌগৎপনি হায়বা মীওই ৫০০ ফাগৎখিবা লৈখ্রে। মমাঙ চহীদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ছটিসঘরদগী মাওইষ্টশিং শৌগৎপনি হায়বশিং অদু ফাগৎখিবনি হায়না এন্টি নেক্সেল ওপরেসনগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী দিরেক্টর আর আর ভটনগরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, লেফ্ট ৱিং এক্সট্রিমিসশিং লাকশিন্নবা হোৎনবা থৌশিল অমগী শরুক ওইনা ষ্টেট পুলিসকা খুৎশম্নদুনা লালহৌবশিং শৌগৎপনি হায়বা মীওইশিং ফাগৎখিবা লৈখ্রে। লেফ্ট ৱিং এক্সট্রিমিসশিংনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা অদু য়েংলগা সী আর পি এফনা লান্মী লাখ কয়া তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দিপ্লোয় তৌখ্রে। খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা মাওইষ্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনরিবা থৌশিলশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা ওভর গ্রাউন্দদা লৈদুনা লালহৌবশিংগী থবক তৌবা মীওই কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। ইন্টিল্লিজেন্স অমসুং লমদম অদুগী মীয়াম্না মতেং পীরকপদগী পুলিসনা মায় পাক্লা থবক তৌবা ঙমখিবনি হায়রি।

কর্নাটকাদা কোংগ্রেস মীরেপ অমগী মায় পাকপগী প্রোসেসন্দা শকখঙদবশিংনা এসিদ এটেক চঙখরকপদা মীওই ৮ শোক্লে

তুমকুর, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): কর্নাটকাগী তুমকুরদা লোকেল অর্বান বোদি ইলেক্সন্দা মায় পাকখ্রবা ইনায়াতুলা খান শৌগৎপশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্তুনা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা এসিট এটেক চঙখরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮ অশোক-অপন নংখ্রে।

কর্নাটকা সিটি ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ২৯, টাউন ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৫২ অমসুং টাউন পঞ্চায়টকী মীখল ২০ গী ভোট মশিং থিবগী থবক নিংথৌকাবা নুমীৎতা পাঙথোকখি। মীখল অদুদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৯৮২ দা মায় পাকখি। অদুগা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) ৯২৭ দা মায় পাকখি। নাকল অমরোমদা, জনতা দল সেক্যুলর (জে দি এস) না ৱার্দ ৩৭৫ তা মায় পাকখি। অপূনবা ৱার্দ ২৬৬৪ গী ভোট মশিং থিবগী থবক পাঙথোকখ্রবা মতুং ইনায়াতুলাগী মীওইশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদো-ক্তুনা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা মশক খঙদবশিংনা এসিদ চাইশিল্লক্তুনা এটেদ অদু চঙখরকখিবনি হায়রি। মীখল অদু কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী চাংয়েং ওইবা খ্বাইদগী মরুওইবা মীখল অমসু ওইখিবনি।

বি জে পিগী লুচিংবা বি এস য়েদ্যুরপ্পানা মীখল অদুদা মখোয় মায়থিরে হায়বা য়াজখ্রে। ভোট মশিং থিবা লোইরকপগা লোয়ননা জে দি এসকী লুচিংবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর দেবেগৌরানা হায়, বি জে পি ইন্থোকখিনবগীদমক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংদা কোংগ্রেসকা চুংশিন্নগনি হায়রি।

নেক্সেলশিংনা পাউ পীথোক-পীশিন তৌননবগীদমক দার্কনেট শীজিন্নরি

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী): সিটিশিংদা লৈবা নেক্সেলশিংনা ঈ-পাউ ফাওদোক্লবগীদমক দার্কনেটশিং শীজিন্নরি। মদুগী শরুক অমা ওইনা অরোনবা ঈ-পাউশিং অদু ঈ মেল নৎত্রগা পাসৱার্দ থম্বা পেন দ্রাফ্টশিং শীজিন্নরি হায়না মহারাষ্ট্রা পুলিসনা থিগৎপদা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

পাউগী লীখুন অসিগী মতুংইন্না ফাগৎখ্রবা মীওইশিং ৱাহং পাউহং চঙবদা মখোয়না অরোনবা পাউশিং থাদোক থাজিন তৌরিবা মেদিয়ম অদু খঙবা ঙমখিবনি। ঈ মেলগী খুথাংদা মখোয়না শেল খোমগৎনবা, লৌতুনবা অমদি টার্গেট তৌগদৌরিবা মীওই নৎত্রগা মফমশিংগী পাউ পীথোক পীশিন তৌরি হায়রি।

দার্কনেট হায়রিবা সিষ্টেম অদু কম্প্যুটর ৱর্ল্ড অসিগী অখন্নবা শরুক অমা ওইরি। মখোয়না অপনবা অমত্তা য়াওদনা লোগী মায়োক্তা লৈবা থবক কয়া থৌশিল অদুগী মখাদা চংখরি। মীওই অমনা ইন্টর্নেট শীজিন্নদুনা লাইন কয়া থিবা ঙম্বা য়াই। অদুম ওইনমক দার্কনেট শীজিন্নবগী ওইনদি থিবদা খুদোংচাদবা অমা লৈরি হায়রি।

মালেমগী ওইনা ৱেবসাইট কয়া শীজিন্নরি। অদুম ওইনমক অখন্নবা ৱেবসাইটশিং শীজিন্নবগী চাংদি চাদা ৪ খক্তমক ওইরি। ৱেব ৱর্ল্ড অসি ব্রোদ লয়ার অহুম থোক্লা খায়দোক্লি। অহানবা লয়ার অদুনা মীচম অমসুং ঐখোয়না শীজিন্নরিবা অসিনি। অদুগা অনীশুবা লয়ার অদুনা দিপ ৱেব হায়না খঙনৈ। অহুমশুবা লয়ার অদুবুনা দার্কনেট হায়না খঙনরি। দার্কনেট অদু মোজিলা নৎত্রগা ক্রোমগী খুথাংদা য়েংশিনবগী ঙম্বগী ওইথোকপা লৈতে। অদুগুম্বা দার্কনেট শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা সোফৱায়র অমা শীজিন্নে। মদুনা দিপ ৱেব অমসুং দার্কনেটশিং ওপরেট তৌবা য়াহল্লি হায়রি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইস্থোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাঋষি
JM Dr Ph. Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5205/10/8-9/9